"হৌজিকপু তূন্বা মতমলা ইতা, ময়াং ক্বাক্বা লাক্বা খোংলি, মীনায় য়োহ্লিং কক্বনি চৎখিবা, নথংলেন শিবগী অশি পাউনিনে।" - *ইরোম শর্মিলা*

শৈরেং

## ফাবিগনু

—এম নিলকুমারি

লৈথক্তসু পুঙমই
লৈখাদসু চৎঙমই
অচৌ অশাং পূনশিন্নে
পূনশিন্নদ্রবদি খূৎ মান্নদে।
পূনশিন্নরবদি নোকফেৎনৈ
ফাবীগনু পূনবীগনু
মান্নবা খুন্নাইগীনি
খনমিন্নরসি। (গোল্ডন ট্রাইএঙ্গল)
মমিৎ মনা উইরুম উইরুম
খোঙথাং হাইরং থাংদ্রবদি
পকচদবা ওইরক্লে
শদুম চাদ্রবদি
মী মান্দ্রে
মীপূম তিংনা ঙাঙনরে
য়েনফৈ ওকশা ষণশানা
ইবুক অসি থলহল্লি
কোবী হঙ্গাম কৈদৌরুনি।
হৌনা ঙাঙগনি
হৌনা লাউগনি
হৈ-হা হায়গনি
নোল্লুকপা মতৌ মাঙখিগনি
শিনফমনি চিঙ্গাক্লি
অনৌবা শায়োননি শক্তম লাংলিবা
কনাদসু ৱারৌরুনু
মতম মানা পুরকপনি।

## 'থম্মোয় পাউদম'

—মৈস্নাম বীরমনি পাল্লরবোন্দ

ঙরাংদি,
কপচখি ঐনা নীংঙমদনা
পুৱারীবু নীংশিংনা।
খঙ্গখি,
পোক্লফমনি মৈতৈ নোংশাগী
কাউরল্লে শাদানবা।
অহিংবনা,
শানরম্মী অশিবগী ৱারী
মোংফমথক্তা ফমদুনা।
ঙসিদি,
কল্লকত্রে মপোকসে হিংবগীদমক
মমল য়াওদনা।
কান্নদ্রে,
মঙাল পীঙমদ্রবা মৈরাসে
চাক্লনবা ইদোম।
পুন্সিসে,
পোৎলুম ওইহল্লে অতোপ্পদা
মহাউ য়াওরমদ্রে।
নুংশিবা,
থুংলমদ্রে মমল নাইদ্রবা
বিশ্বপ্রেম ঐঙোন্দা।
নাইতোম,
খঞ্জরুই অচুম্বগী খোল্লাউনি
তাহৌরে য়েক্লবা।
হয়েংনা,
ঙাইরিব্রা ফিরাল পায়দুনা
অনৌবা পুৱারীগী?
খান্বী,
ঙন্মীদো ইখূৎনা মূথৎপা
মীৎমাঙদা চাকপদি।
মালেম,
নুংশি চান্ননা হিংহৌসনু
শান্তিগী লৈকোলদা।
পূম্নমক্কী,
বিদ্রোহিনি ঐহাক অশেংবা
হিংবা কিরবা।

## কদাইদনো?

—রোমি তখেল্লম্বম

নখোয়না মহাকপু থেংনরবো?
নঙসু মহাকপু তান্নরকপদি কুইরদাইনে?
মখোয়নদি উন্নে কাইনা হায়নবদাই!
ৱারী শানৈ; ওনশিন্নরে-চুম্বা জাৎলা?
শূকফং ফংদে ঐনদি; কদাইদা লোৎপজাৎনো?
ইমা চাওবীনদি উনহনগে মহায়বনি,
ইপু তোম্বনসু মাগীদা লৈ- হেক্তা পাউজেল্লকই,
ইপা কোক্লেন্নসু লাক্ত লাকউ-উনররাও-
কনাগী থৌগল্লোন পাঙলুরগা ফংদৌবা;
করম্বা শিনশংকোন্দা কূনবা তারিবা-ঐবু!
অমুক্তদি নাখৈ শেংদোক্নীংবনি মঙোন্দা-
ৱানা ঙাইরকপসে কোক্লবা... লাংতক্লবসু,
হংগনি ৱাহং মথং...মথং
করম্বা মফমদা লৈতাবা পাম্বনো?
কনাগী থম্মোয়দা হেন্না নকশিন্ননীংবা?
খোল্লাউ কনবগী শঙ্গায়দা লেংশিন্দৌবরা?
লোম্থোক্তনা নোমজেল চেল্লিবশিংবু চানবীদৌবরা?
ফিদা ৱাংলবশিংগী মফমদনা লূপ্ত্রা মিৎয়েং?
অথেনপোৎ চোথা-পাথাগনবশিংবুনা খোয়জংবিব্রা?
শেংলবা থম্মোয়দগী হৈথরকপা পিরাং অরেম্বরা?
করম্বা থম্মোয়নুংগী ৱাকৎনো মফমদা-
ঐসু মহাকপু অমুক্তংদি থেংননীংবনি।

## ঈরোলনুংদা

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

ইমা ঙসিদি নহাক্কী
শক্তম ওল্লবা
শক্তমশিং অসিগা
ৱারী শারি
পূক্নিংগী অরোৎপা
কয়া ফোঙলি।
পাখোঙ কয়া চল্লি,
খঙলিবরা ইমা নহাকপু
নোংমদি খঙলক্কনি
হায়বিরম্বা নহাক্লা
ঙসিতা খঙলকপগুম
পাম্মু খরেদা।
ঙসিদি নহাক্কী নশাইকোল
লোম্থোক্লবা কয়ানা
তূমদুনা লৈরিবা ইরোলনুং অসিদা
নহাক্কী চেঙলৌ শক্তম
অদুতবু নীংশিংনা
মীৎকী পিরাংনা
থম্মোয় পাওদল্লি।

## বোরা য়োম্নবা

—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং

লাইরিক য়াম্না হৈনরবা মতমনি
লাইশুদি অয়াম্বনা খঙদবগুম তৌই
মখোয় সার্টিফিকেট হোটেলদা পীথোক
বোরা য়োম্নবনা হেন্না কান্নগনি।

## 'খল্লুবদা উরুবদা'

—রাজকুমারি মীনা

ময়োল খুইরবা আশা
মৈচাক খাংলবা থম্মোয়
ইকায় ফিরুক খুল্লবা মায়থোঙ
চমন্নুনা ফুম্বংনরবা ৱাখল
লোইবা নাইবা লীলানি।
ঙসিগী ৱাথোক ময়ামসে
কনাগী মরাল ওইগনি
তাইবঙ মৈশানি ওমচাকপা
মীৎলুগী লাইজনি কপ্লিবা।
অৱাংবা আশাদা হিংলুবা
অশেংবা ৱাখলতা খল্লুবা
ঙন্নমক ওইদবা তাহল্লে।
অনীংবা অমত্তা থুংদনা
অপাম্বা অমত্তা ফংহন্দবা
লোয়নমক অরেম্বা ওইরল্লে।
মীৎলুগী লাইজসু নমথাক্লি
নুংশিগী মীনোকসু চীরোলনি
পেল্লো করাম্বা থম্মোয়শিং
লোইরো মীহৌবা মপোক
লেল্লো কপ্লগা তাইবঙ।
নরাল ফংলনি শোয়ররোই
বসন্ত ঋতুসু নঙগী লৈতেংনি
হৈরাং লৈরাংসু নুংশি খুদোলনি
লৈচিল নোংফাইসু মালংগী পাউজেলনি
লোক্তাক ঈপাকসু নঙগী মীংশেলনি
হীংজগে থৌরাংবনি নুংঙাইবা মপোক্তা।

## হৌজিক্কী য়ুম্বীরেলনি

—ইরোম মোবি

অথৌবশিং নীংশিংনরি নীংশিং নুমিৎতা
লৈ কৎলি খুরুম্মী লৈঙাক্লোইশিং।
লোইরগা অমুক হায়
তুংগী য়ুম্বীরেল ওইদৌদি নহারোলনি
মখোয়না অথৌবশিংগী থৌনা লিংজেল
নীংশিংগদৌনি কাউরোইদৌবনি।
হৌজিক হৌজিক্কী য়ুম্বীরেলনা মখোয়নি
মখোয়দি থৌনা লিংজেলদু চেল্লবরা
হংবা য়াই মীয়াম্না।

## লম্বীসিদা

—শ্রীরামেশ্বর লাইশ্রম

নঙ-ঐ অসুম্না থেংনগনি খঙদবনা
করিমত্তসু পুরকত্রে নঙগীদমক
ফজবা ফিজোলসু শেৎহৌদ্রে
ওম্থোক্না ইকায়খ্রে নমাংদা।
নঙগী নীংথিবী নতৌ
নঙগী নুংশিবা ৱাঙাঙসিদা
নঙবু কয়াদা খোয়রাংজবা
নঙবু কয়াদা নুংশিজবা।
ঙসি থেংনরিবা অসিদগী
কৈদৌঙৈ অমুক উন্নগনিসু খঙদে,
অমুক হন্না উন্ননীংই হায়দুনা
অচেৎপা ৱা ঙাঙনরুগদবসু
করম্না শকখঙনগনি।
ঐনা খক থাদোক্লরোই
নঙগা অমুক উন্নবগী ৱাখলসিদা
থুংলু-থুংলুবা মফম খুদিংদা
নঙবু নীংশিংলগে।

## করিগী তকশি শোল্লিবা

—অনেশ্বরি সোরাইসম

নঙগীনি খঞ্জরিবা নরল
নঙনা চেকশিঞ্জবা তাবনি।
করিগুম্বা থল্লবা হুন্দোক্তুনা
খুনখিবা তাবনি মপুনা।
মপুনা খুনখ্রবা নরল
করিগী তকসি শোল্লিবা!

## নাথৈবীরল্লবী

—ডা. অকোইজম ইবোহল

পলেম পন্থৌ অনীগী
থক্তা অমা শাৎত্রবী
খাদা অমা পোমদ্রবী
নাইতোম শাৎচবী লৈরাংনি;
পন্থৌ শঙ্গাই তুংওইনরম
য়ুম্নাক শাগৈ হোংলকঙৈ
ওইজবা পূম্বা থাদোক্তুনা
কৎথোকচখ্রবনি মপোকসে নফমদা;
খনবীগনু লান্না ঐহাকপু
পুকচেল লেপ্তুবীনি হায়দুনা
নহাক্লা অহানবসু অরোইবসুনি
হন্দক লাংওন 'সিমগীদি;
পাউথোকপীগনু মীঙোন্দা ঐহাকসে
কৈরোই লৈকায় শিনবা থুং
ৱাখল অনী লোঙজদ্রিবী ঐবু
লমকেৎ লমহাইবীনি হায়দুনা;
ঐহাক্লা লান্দবমক ওইরল্লবা
লেম্নদি মাঙলোই ঐহাক্কী
মিৎলু নাপোম অনীদগী
ঈহৌরক্লিবা শেংলবা পিরাংসে;
নোংমা নৎত্রগা নোংমদি
খঙলকপদা নহাক্লা অচুম্বা
নিংঙমদবগী মৈরিনা মৈৱাইরক্কনি
নীংশিংলক্কনি নাথৈবীরল্লবী ঐবুসু।

মতম মতমগী ৱাখল

# থাঙ্গ করাংগী ফুমশঙদা অহীং অমা



'লোক্তাক' হায়বসি কনাগুম্বনা ইচম চম্না 'লোক' হায়বদি ঈশিং থন্না লৈবা অদুগা 'তাক' হায়বসিনা পাক্লা ইহাঙ হাঙনা, তাক্লা শন্দোকখিবা অদুবুনি হায়নৈ। মসি নত্তবা অতোপ্পা ৱারী ৱাখোং মিংথোনগী মতাংসি তোঙান্না লৈরম্বা য়াই। মসিনা অখঙ অহৈশিংগী ওইরসনু। চম্না খঙবা য়াবসি, ঈশিংনা পাক্লা শন্না মপুক থন্না অচৌবা ঈপাক অমা ওইনা চাউনা লৈবা মফমসি অৱাং নোংপোক মাইকৈ অশোমগী ওইনা মণিপুরদা লৈরিবা লোক্তাকখক্তনি। লোক্তাক কদায়দা লৈ হংবদা কনাগুম্বনা মোইরাংদা লৈ হায়নৈ। মসিগী মরমসি মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারীদা খম্বা-থোইবী অনীগী ইবুধৌ থাংজিংনা শান্নরিবা থৌদোক ৱারীদা লোক্তাক অসি য়াম্না চাউনা মফম অমা কন্দুনা য়াউরকপা অসিনা ওইগনি। মতম অমা লোক্তাক পাৎকী ঈশিং ঈমায় অসি মোইরাংগী খুন্দোন য়ৌনা শন্দোকলম্বসু য়াই। হৌজিক্কী ওইনদি মোইরাংদা লোক্তাক লৈত্রে। লোক্তাক্তি থাঙ্গ অমদি করাংদা লৈরি। থোইবীনা ইন শোনবদা খম্বনা উশা অমদা তোংলগা তৌদ্রি খোংদুনা থোইবীনা ইন শোনবা য়েংখি হায়নবা থমংখোং মোইরাংদা লৈতে। থমংখোংদি থাঙ্গদা লৈরি। খম্বা থোইবীগী ৱারী মোইরাংগী ৱারী ওইজরগসু মোইরাং কংলৈরোলদা থাঙ্গ অমদি করাং অনীগী মফম য়াওদনা মপুং ফাদে। থাঙ্গ অমদি করাং হায়বসি লোক্তাক্কী ঈশিংনা কোইশিন্দুনা ময়াইদা লৈবা মফম অমনি। মীরোলদা হায়রগা আইলেণ্ড হায়বগুম্বনি। নোংজু থাদা, লোক্তাক্কী ঈশিংনা ঈমায় ৱাংলবসু থাঙ্গ অমদি করাংদা ঈশিং চাউই তাদে। লোক্তাক মপান্দা হৌজিক খুন্দারিবা থাঙ্গ অমদি করাংগী য়ুমশিং ঈশিংনা থুমজিনখ্রে হায়বসিমসু তাদে। থাঙ্গ করাং অনী অসি ঙল্লিঙৈদগী হিনা ঈশিংগী লম্বীদা চৎথোক চৎশিন তৌনরকই। হৌজিক্কী মতম অসিদনা হিদা ইঞ্জিন পানশিল্লগা মী খরা য়াম্না তোংবা য়াবা মওংদা শীজিন্নরি।

ঙসিদগী চহী ৪০ মুক্কী মমাংদা সেন্দ্রা চৎপা হায়দুনা চৎনরকখি। সেন্দ্রা ফাওবা কোয়বা চৎনরকই। সেন্দ্রাগী চীংথক্তা কারগা পিকনিক চারকখি। সেন্দ্রাদগী হেন্না থাঙ্গ করাং য়ৌনা কোইবা চঙনখিদে। লম্বী ফত্তবগী ওইগনি। চীংগী অপীকপা লম্বীদা থাঙ্গ য়ৌনবা গাড়ি চঙবা য়ারমখিদে। সেন্দ্রাদগী হল্লকপদা হৈকক য়াম্না লৈরকখি। হৈকক টিন্দা য়োল্লম্মী। হৈকক অহীংবা, হৈকক অফুৎপা, হৈকক মকু অখোকপা মখন মখন য়োল্লমখি। হৈকক চাক্তা ঙাল্লগা চাবা মহাউ নীংশিংলকই। হৌজিক্তি, হৈকক মশক উখিদবা কুইরে।

থাঙ্গগা ঐগা নকশিন্না খঙনবা কুইরে। অতৈনা নকশিন্নখিবা নত্তে থাঙ্গগী ওঝা হৈস্নাম মঙ্গোলজাউ, মোইরাং কংলৈরোল শকপীখিবা ওঝাগী মপালদগীনি। ওঝাদি থাঙ্গদগী ওইরগসু ঐনা উন্নজখিবা লোয়নজখিবদি ইম্ফালদা লৈরবা মতমদগীনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী ওঝানা শকপা মোইরাং কংলৈরোল পাম্না তারকখি। চুম্না তাবা নত্তে শকফম ওজাদগী খঙলগা কোইথি থিরগা তাবা চৎলকখি। অয়াম্বনা, অনকপা লৈকায়গী মফমশিংদনি। মতম অমা লৈকায়দা ওজা মঙ্গোলজাওগী খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ য়াম্না তানরম্মী। ঐখোয়গী য়ুমদসু ওজাগী ঈশৈ য়াম্না শকলকখি। নোংমখক শকখিবা নত্তে। নুমিৎ তারানিরোমদি শকপা শোয়দ্রে। ঙল্লিঙৈগী মতমদা ওঝানা মোইরাং কংলৈরোল শকপসি নোংমখক কৌরগা শক্লখিদে থাখায়, থা অমরোমদি শক্লে। নোংমা তারগা মপূং ফাদে। মথংগী লৈকায় অমদা শক্কদবা ঈশৈগী বার্ত্তণ শৈফম অমদা শক্লিঙৈদা অদুম হায়নবসি চৎনরকখি। তারিমখৈ পেন্দবসি ওঝা হৈস্নাম মঙ্গোলজাওগী খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈনি। মতম অমদি খোংজোম পর্ব্ব তাবা হায়রগা মোইরাং কংলৈরোল ঈশৈ তাববুসু খঙনরকই। খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ শৈশক্তা মোইরাং কংলৈরোল অমদি খুনুং ঈশৈ অসিনচিংবা কয়া অসিগী মতাংদা তোঙানবা ৱাফম কয়াগী সেমিনার কয়া ওজা লৈরিঙৈদা পাঙথোকখি। খোংজোম পর্ব্ব হায়বসিনা খোংজোম লানগী পরিংদা শকপনি। মোইরাং কংলৈরোল হায়বসিনা ইবুধৌ থাংজিংনা শান্নবা মোইরাংখক্তগী ৱারী পরিংবু শৈথাদুনা শকপনি। অনী অসি মান্নফম থোক্তে অসিনচিংবা কয়াগী মতাংদা ওজা মশা য়াওনা খন্ন-নৈনবা কয়া লৈখি। মহৌশানা থাঙ্গগী মীওইশিং ঈশৈ নোংমাই অসি চান্নবা শিনফম অমা ওইরকই। ৱাখল লৈবা, লাইরিক লাইশু হৈবা মীওইসু য়াম্না লৈরকই।

লোক্তাক ঈপাক্তা ফুমশঙ শাদুনা লৈরিবা ঙামীশিংগী ৱারী য়াম্না তাখ্রে। অৱাবা ৱারী ঙাক্তনি। হিংনবগী লাফমদা থাঙ্গ অমদি করাংগী অকোয়বদা খুন্দারিবা ঙামীশিংনা থেংনরিবা অমদি মায়োক্ল রিবা খুদোং চাদবগী ৱারীনি। মণিপুরী মীওই খূদিংমক্লা লোক্তাকপু নুংশি। লোক্তাক্কী মরমদা ৱা ঙাঙলি। মহৌশাগী লোক্তাক অমদি হৌজিক্কী লোক্তাক হায়না শরুক অনী থোক্লা খায়দোক্লগা মীয়াম্না য়েংনরকই। মতম অমগী লোক্তাক্কী মওং ফিভম খঙহৌবশিংনা হৌজিক উরিবা লোক্তাক্কী মশক অসি উরগা লোক্তাক মহৌশাগী ফিভম নৎত্রে হায়গনি। লোক্তাক ইশা মপল লৈ হায়নৈ। মণিপুরগী মনুংদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী মনুংদা লোক্তাক্তা ইতিল্লদবা য়াওরি। লোক্তাক্তা তিল্লবা তুরেলশিংনা মোৎশিল্লকপদগী লোক্তাক্কী ফিভম কায়রকপনি হায়বসি হায়নরে। তুরেলশিংগী মনুংদা নম্বুল তুরেল অসি মরূওইরি। নম্বুল তুরেলগী খোংনুং মোৎলকপদগী লোক্তাক য়ৌনা চেম্থখিদুনা লোক্তাক্কী ঈশিং ইমায়দা অমোৎ অকায়না পীক থল্লকখি। লোক্তাক ঈশিং মোৎলকখি। লোক্তাক্কী ঈশিং হু চেল্লবা ঈশিং ওইরকখি। ঈশিং ফৎলকত্রবনিনা মসিদা চাক্তজফম ওইরম্বা শা উচেক কয়াগী পূন্সি, মহৌশাগী উরি উপাল, মনা মশীং অমদি অকোয়বগী ফিভমদা মাঙনবগী মশক ওইরকখি। লোক্তাক্কী মতাংসি নৈননীংঙাই অমদি থৌরাং কয়া লৌখৎনীংঙাই লৈরি। মসিগী মতাং অসিদি অখঙ অহৈশিং অমদি হীরম অসিদা থবক পায়খৎপীরিবা লোক্তাক দিভেলপমেন্ট অথোরিটি (এল দি এ)গী ওইজরসনু।

ৱারেং অসি ইজবগী মাইকৈ অদোমদা চঙশিনজরক্কে। মালেমগী পাঙথোক্লরিবা ইনভাইরনমেন্ট ডে থৌরম অসি মেগী তাং ৫ অসিনি। মফম খূদিংমক্তা থৌরম পাঙথোক্লখি। লাইবক ফবদগী হায়জবা তাই, হন্দক চহী অসিগী থাঙ্গদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট ডে থৌরমদা, লোক্তাক দিভেলপমেন্ট অথোরিটি (এল দি এ) গী চ্যেরমেন্না হায়বীরকপদগী য়াওবা ফংজখি। মপুং ওইবা থৌরম থাঙ্গগী লোক্তাক লাইরেম্বী লম্পাকতা পাঙথোকখি। নোংমা ৱাৎলিঙৈদা থাঙ্গদা লৈখি। চিয়ারমেন্না শীনবীদুনা থাঙ্গ করাংগী মরক্তা লৈবা অতাওবা ফূমদা শাবা, লৈননবা ফূমশঙগী য়ূমদা অহিং লৈখি। ফূমশঙ অদু অশানবনি। পৈশা পীরগা হোম ষ্টে ওইনা লৈনবা শীনরমখি। ফূমশঙ অদুগী য়ূমবু অদু করাংদগীনি। নুমিদাংগী চাকলেনসু য়ূম্বু অদুনা নীংথিনা শীনবীরকখি। এল ডি এগী চ্যেরমেননা ফূমশঙদা অহীং লৈহনবগী মরমসি ঐনা খনজবদা অনীনি। অহানবগী মরমদি-ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট ডে থৌরমগা মরী লৈননা লোক্তাক্তা থৌরম অমা চাউনা পাঙথোকখি। মতম কুইনা উরুদ্রবা কাওনখ্রবা লোক্তাক্কী ঙাম্মীশিংনা হিরুবাক্তা ফল্লগা নৌনা হিগী হিবানদা কোক..কোক য়ৈরগা মাইকৈ মাইকৈদগী ঙা তানশিল্লগা ইনচিংবী ইমানা হংগেন পৌরা ফৈদা থল্লগা ইন চিংদুনা ঙা ফাবা নোং ঙানফুং তৌরকপগী থৌরম অমা থৌওইনা শিল্লমখি। মদু য়েংহন্নবনি। নুংথিলগী মতমদা মরুওইনা হিয়াং তান্নবা অমসু থৌরাংখি। নুমিৎ অদুগী থৌরমদা তিনখিবা মীয়ামসি থাঙ্গ করাংগী পুৱারীদা মমাংদা থোকখিদ্রিবা অমা ওইরম্বসু য়াই। মী হাইফেৎ তিল্লে। থৌরম অসি লোক্তাক দিভেলপমেন্ট অথোরিটি (এল ডি এ)না থাঙ্গ করাংগী মীয়ামগা পূন্না শীনবনি অদুনা অচৌবা কূম্মৈ অমা ওইখি।

হন্দক্কী ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট ডে থাঙ্গদা পাঙথোকখিবা এল ডি এগী থৌরমগী নুংগী ৱাখল্লোন্দি "ওনলি ৱান আর্থ, ওনলি ৱান লোক্তাক" হায়বনি। মালেম পৃথিবী কনবদা লোক্তাক য়াওই, লোক্তাক কনবদা মালেম পৃথিবী কনবা য়াওরি। ঐনা অমুক হাপচিনজনিংলি-লোক্তাক কনবদা থাঙ্গ করাং কনবা য়াওগনি, থাঙ্গ করাং কনবদা লোক্তাক কনবা য়াওগনি। লোক্তাক্তি মীরমগী মীয়াম্না লাক্লগা কনবা ঙমলোই ঐখোয়গী মীশিংতনা, মরুওইনা অকোয়বদা খুন্দাবীরিবশিংনা কনবীগদবনি।

অনীশুবা মরমসিমদি ৱাখল খরা খন্নীংঙাই ওইরি। লোক্তাক কনবা হায়বসি কনানা কনগদবনো? ফূমশঙদা অহীং তূম্বদা খলহনখি। ৱাখল খল্লক্লবা থৌওইনা এল ডি এগী চ্যেরমেন্না ফূমশঙদা অহীং তূমহনবনি হায়না খনখি। ফূমশঙ মপুগা নুমিদাং ৱারী খরা শান্নবা ফংখি। মখোয়না মায়োক্লরিবা পূন্সিগী মরমদনি। ফূমশঙনা মখোয়বু হিংহল্লিব্রা, ফূমশঙনা লোক্তাকপু কল্লিব্রা ?

লোক্তাক্লা ৱারে হায়রিবসি অকোয়বদা খুন্দারিবা ময়ামসিনা তারিব্রা ? ৱাহংশিং অসি থাঙ্গ য়ৌরকপা মতমদা খনবা হৌরকখি। ঐনা নুংথিলগী মতমদা লোক্তাক ময়ায়দা লৈরিবা চীংথক অহুমখক কারকখি। থাঙ্গ চীংনিংথৌগী মশাইকোলদা লৈবা হৌজিক্লা 'চাওবা চীং' হায়না খঙনহৌবা অমগা সেন্দ্রাগী চীংথক অমদি করাংগী চীংদুম অহুম অসিনি। সেন্দ্রা চীংদি ঐনা মতম অমা উখিবা অদু ওইরমদ্রে। মীয়াম কোইরকফম চাফম, ফমফম লৈফম তরু তনান্না মকে শেল্লবা মফম অমা ওইরমলে। মায়কৈ খূদিং খুবাক লাইখন শানা লৈনা য়েংলকপদা লোক্তাক্কী মপূং ফাবা মশক উবা ফংলিবা হেন্না ফজবা চীংনিংথৌগী মশাইকোন্দা হৌজিক্লা চাউবা চীং হায়নবা চীংথক অসিমদি ইতাক তাকহৌরি। মতম অমা সিফাই লৈরম্বগী হাংলবা য়ূমশিং লৈহৌরি। উচেক চরোই লাবা অমোমগী শান্নফম ওইহৌরি। থাঙ্গ করাংগী চৎথোক চৎশিন তৌফম, হিরানফম লোক্তাক লাইরেম্বী লম্পাক পাকশন্না মীয়াম্না মমিং খঙনবা ৱাৎলি। লোক্তাক লাইরেম্বী লম্পাক্কী মচিন্দা থাঙ্গ করাংগী হিথাংফম ওইহৌরিবা অসিসু মশক থোক্ত্রি। হিথাংফমদা ঙায়োনবী ইমা ইবেন খরগী পোৎয়োনফম ওইজহৌরি। ইমাশিং উরগা গোৱাগী সমুদ্র মপান্দা থারগা য়োলহৌবা কোঙ্গ্রেং, ৱাইখু, মোইবুং মচা অচৌবা ময়াম নীংশিংলকই। থাঙ্গ করাং শেমগৎপীরগদি লমকোয়বা লাকপশিংগী খোইদাবা মফম ওইগনি খল্লি।

হন্দক থাঙ্গদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট ডে অসি মণিপুরগী য়াম্না মরুওইবা মফম অমা ওইখি। মীপূম খূদিংনা উখিদবা থৌরম্নি। লোকল মীদিয়ানসু চাউনা কভরেজ তৌখিদবা মাল্লি অদবু এল ডি এগী ওইনদি মায় পাকখিবা থৌরম্নি। মীয়ামগী লৈপাক্কী, লমদমসিগী খল্লগা পাঙথোকলকপা য়াবা, তৌরকপা য়াবা কয়া খুদোনবী থিন্দুনা তাকপগুম উরকই। অনৌবা পান্দম অমগী মখাদা এল ডি এনা থাংজিনবা হৌরক্লিবা খোঙথাং অসি চহী খরা অসিদা করিগুম্বা মশক থোকপা খরদি উহল্লক্কনি হায়বগী থাজবা পোকহল্লি। পূম্নমক লোক্তাক লাইরেম্বী মহাক্লদি উবীরমগনি। খ্বাইরাকপম চাউবনা মহাক্কী লোক্তাক মপান্দা হায়বা শৈরেংদা অসুম্না শৈথারম্মী- "কুইনা নীংলবা পূক্নিংগী অপাম্বা, ঙসিদি থুংজবা তারেদো। হিথক্তা তোংদুনা ঈপাক্তা থৌবগুম, নৌগী জগোয়বু শাজগে। নীংজবা থুংদুনা মিৎলুগী নাপোমদা তরংগী লাইজবু শিন্থগে। মৈতৈগী ঈপাক্লি মাঙদা ঙাল্লিবা, ঐখোয়গী লোক্তাক হায়বসে।"

—*মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-১৪৭

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

দরোগাজিগী অৱাংবা থাক অদুবু তাহন্দুনা মহাকপু জোগনাথনা ওইহনখিবা ফীভম অদু মঙোন্দদি করিসু অকায়বা লৈখিদে। অকায়বা হায়ববু ৱাফম অদুগী মতাংদা লৈবাক মীয়াম্না য়াম্না ইন্টরেষ্ট লৌদুনা ঙাঙন শক্লখি। সিটি অদুদা হিন্দি অমদি উর্দুগী চয়োলগী ওইবা মশিং য়াল্লবা পাউচেশিং ফোংলম্মী। পাউচে অদুদা থবক তৌরিবা মপুং ফানা হৈতবা মীওই খরা মশানা মশাবু জরনেলিষ্ট হায়না কৌজৈ। পাউচেশিং অদুগী লমায়দা কোর্টকী নোটিসশিং অমদি লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা ফোংই। লোয়ননা পাউচেশিং অদুদা শুংশোই শোয়দনা কনাগুম্বা ওফিসর অমগী পুন্সি ৱারিগী মতাংদা ইনৈ। মদুদা করেক্টর অমদি মশামক অদুমক ওইজৈ। য়ুগী বোটল, নুপী, শেল ফোটোশিং, জৱার নত্রগা ললোনবশিং অদুনা অতোপ্পা করেক্টর অমা ওইহল্লি। অদুগুম্লবা পাউচেশিং অদু কোর্টশিংদা অমদি ওফিসরশিংনা য়াম্না পাম্না পানৈ। অদুবু মতম অদুদা হিন্দি অমদি উর্দুগী পাউচেশিং অসি মাঙখিবা য়াই হায়নসু ঙাঙনৈ। করি-করিগুম্বা মতমদনা খঙহৌদনা কনাগুম্বা ওফিসর অমগী পুন্সি ৱারীগী মায়োক্তা ৱারিশিংসু অদুমক ফোংই। মসিনা তাক্লিবদি এদিটরনা হায়রিবা নুমীৎ অদুদা ফোঙখিবা পাউ অদুগী মতাংদা মশামক্লা থিজিনখি। মদুদা এদিটর অদুনা পাউ অদু অচুম্বা নত্তে হায়না খঙলকখিবনি। পাউ অদু ফোঙখিবগীদমক নুংঙাইতবা ফাওই। মরম অদুনা পাউ অদুবু ইরিবা অখন্নবা পাউমী অদুবু থবক্তগী লৌথোক্তুনা লম্বীগী মতাইদা এঞ্জাং-নাপী য়োনবগী থবক তৌহল্লি। কনাগুম্বা ওফিসর অদুগী মায়োক্তা পাউ ফোংলবদি মদুগী মতাংদা মহাক্কী মরুপশিংদা মোমোন নোক্তুনা হায়, "উরব্রা?" অদুগা মহাক্কী মরুপশিংনা মতুংদা হায়নৈ মদুদি এদিটর অসিনা ওফিসর অদুবু লেম্না থাদ্রে। মতৌ অদুম্না সাহিত্য অমদি লৈঙাক্কী মরক্তা নোংম-নোংমগী মরি ফবা হায়বদু ওইখি। মতৌ অদুম্না পাউচেশিং অদু খুন্নাই, পোলিটিকেল অমদি সাংস্কৃতিক্কী মীৎয়েংদা শীজিন্নৈ।

মতৌ অসুম্না পাউচে অমদা দারোগাজিগী মায়োক্তা জোগনাথপু শৌগৎলদুনা পাউ অমা ফ্রন্ট পেজদা হাপখি। পাউ অদু অরিবা পাউনি হায়রোইসি, মরমদি পাউ অদু তোঙান-তোঙানবা এঙ্গলদা কয়ারক হন্না ফোঙখি। সিটি অদুদা হেক লাকপদগী দারোগাজি অদু মমিং চৎপা হায়বদু ওইখি।

হৌজিক কেস অদুগী অহানবা কোর্টতা ফাওবা পুথোক্ত্রি, অদুবু মহাক্লা খঙই অমদি উই মদুদি জরনেলিষ্টশিং অদুগা মহাক্লা লোয়নবীগী হৈনবী মঙোন্দা লৈখ্রে। মহাক মশাগী ক্লবতা চৎতুনা মহাক্কী মরুপনা ৱা ঙাঙই। ৱাফম অদুগী নুংগী ওইবা ৱাফম হায়রগদি মতম অসি য়াম্না ফৎত্রে। করিসু লৈতবা মীশিং ফাওবা য়াম্না হৈশিংবা-খঙহৈবা শানরে। হৌজিক্কী মতম অসি জোব তৌবগী মতম নত্রে। নহাক্তি য়াম্না হৈশিংবা মীওইনি, অদুগা মসিদা করম হায়না লাং অসিদা থুখ্রিবনো। মহাক মহাক্কী মরুপশিংনা অদুক্কী মতিক নুংশিবি মরম অদুনা মহাক মশা লম্বীদা চৎচবা ফাওবা অরুবা ওইখিবনি। পূম্নমক্লা ৱারি অদুগী মতাংদা তাশিন খোমজিল্লগা হায় পাখৎনিংঙাই করিসু লৈতে, ঐখোয় পূম্নমক পুনশিন্দুনা সুপ্রিম কোর্টতা কেস থেংনগনি। মদুদা য়েংউ, সাস্ত্রদা ইরিবনি মদুদি অচুম্বনা শোয়দনা মায়পাক্কনি। দারোগাজি অদুগী থম্মোয় অদু শুমহৎপা হায়বদু ওইখি।

নোংমা মহাকপু নুংশিজবা লুম্না লৌবা মীওই অমনা মহাক্কী ওইবা ৱাখল্লোল হায়বিরম্মী মদুদি নহাকসু অঙকপা মী অমনি। কেস অদুবু কোনশিন্দুনা কায়-কায়দনো কোয়দুনা অদুমক লৈ। কেস অদুবু কনাগুম্বা অমা উনরগা করিগীদমক মপুং ফানা লোইশিনদ্রিবনো?

মদুগী মতুংদা মহাক ৱেদ্যজিগী মনাক্তা লাকখ্রে।

মখোয়শিং অদু তুমিন্না ফমদুনা লৈনৈ। ৱারি শান্নগদবশিং অদু লোইশিনখ্রবা মাল্লে। দারোগাজি অদু মোন্দা নুংঙাইনা লৈ। তুমিন্না ময়াম লৈনরিবা অদু লৈতনবগীদমক মহাক্লা কুসহরপ্রসাদতা হায়, "কুসহরপ্রসাদ হৌজিকসু অদুমক নচানুপাগা খৎনরিব্রা?"

কুসহরপ্রসাদনা হায়, "খৎনদ্রে দারোগা সাহব, হৌজিক হকচাং শোন্থরে হান্নগা মান্নদ্রে। থাইনগী অদুম হায়না তৌদ্রে।"

"অদু ওইরবদি নচানা ফুবদো অদুমক তুমিন্না খাঙলব্রা?"

"ঐনা হৌজিক হায়জখ্রবদুনি। ৱাফম অদু থাইনগীনি হৌজিক্তি তৌদ্রে।" কুসহরপ্রসাদনা ৱেদ্যজিদা হায়বা হৌরকই, "অদোমদি অদুমক খঙলিবনি। হোলিগী মমাংদা মহাক্লা উশিৎ থৌওইদবা ৱা ঙাঙখিবদাই, মদুদা ঐনা চৈশুনা কনখিবনি। মদুদা মহাক্লা ঐহাকপু লংখৎলগা মাঙ্গোনদা থাদনবা হোৎনখিবনি। অদুবু করি খল্লকপদগীনো খঙদে মহাক্লা ঐবু মফম অদুদা অদুমক থাদোক্লল্লে। ঐহাক ফমুংদা অদুমক তাদুনা লৈহৌবনি। নুংথিলগী মতমদা মহাক্লা হায়খি, হৌজিক নহাক হকচাং শোঞ্জিল্লক্লে, হান্নগী ফিভমদু ওইদ্রে। ঐনা নহাকপু লংখৎল্লগা থাদনবা থাঙ্গৎপা মতমদা নশা অদু য়াম্না য়াঙনা শোন্না উবা অদুদা অদুমক থাদোক্লল্লগা লাকখিবনি। মরম অদুনা ঐনা নহাকপু লংখৎলগা থাদনবা থাঙ্গৎলবসু থাদরমদনা থল্লম্বনি।"

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা